# হুইয়েন লানপাউ

Vol. 42, Issue No.069 | ইরাই, ইঙা ১৮ নি পানবা | অপুনবা লামায় মশিং ১২ | HUEIYEN LANPAO, | Friday, June 01, 2018, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 4.50


চুড়াচান্দপুর দিষ্ট্রিক্টকী সাইকোটতগী মাষ্টর জোন লালদি টসাদ তা চীফ মিনিষ্টর নোংথোম্বম বিরেননা জীবন রক্ষ প্রদক্ট ২০১৭ শীন্নবা



লামায় ৩

ফিদমনা শীন্দুনা ইন্টরনেসনল ৱীক ওফ দিসএপিয়র্দ ২০১৮গী থৌরমগা মরী লৈননা ইম্ফালদা চৎখিবা মীয়ামগী ৱাকৎ খোঙচৎকী শক্তম




লামায় ৪

সী এস আই আর - এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরি লম্ফেলপাৎতা এসেন্সিএল ওইল দিষ্টিলেসন প্লান্ট উরেপ-উযুং তম্বা থৌরম



লামায় ৩

তরেৎশুবা পে পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌদুনা থবক লেপ্লিবা ইমপ্লোয়ী-শিংগা দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমারগা ৱারী শানবগী শক্তম



লামায় ১

## থাউগী মমল

ইম্ফাল ইষ্ট অমসুং ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট

পেট্রোল : লিটরদা লুপা ৭৬.৪৩

দীজল : লিটরদা লুপা ৬৭.২৯

## ৱারী শানবদা য়ানবা ঙমখিদ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ : মণিপুর লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিংনা তরেৎশুবা সেন্ট্রেল পে পীয়ু হায়না দিমান্দ তৌরদুনা চঙশিল্লকখিবা থবক লেপ্পা খোঙজংগী মতাংদা ঙসি দেপ্যুটি চীফ মিনিষ্টর ৱাই জয়কুমার অমসুং চীফ সেক্রেটরি ডো. জে সুরেশ বাবুনা লুচিংবা লৈঙাক্কী মীহুৎ কাঙবু অমগা ইমপ্লোয়ীশিংগা ৱারী শানবদা য়ানবা পুরকখিদ্রে। ৱারী শানবা অদুদা জে এ সী ওফ এমটুক এন্দ এমজিওগী মীহুৎ অমত্তা য়াওখিদে। অদুমকপু মণিপুর সেক্রেটরিয়েট সর্ভিস এসোসিএসন অমসুং গভর্ণমেন্ট ইমপ্লোয়ীজ ফেদ-রেসনগী ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## লাখ ৫ কায়থোকখ্রে

ইম্ফাল, মে ৩১ : মণিপুরদগী ফেন্সর কে ঐচ কলন্বীয়া চনুগী অনা-লায়েংগীদমক যুনিয়ন স্পোর্টস মিনিষ্টর রাজ্য বর্ধন সিংহ রাঠোরনা পন্দিট দিন দয়াল উপধ্যায় নেসনল ৱেলফেয়র ফন্দগী লুপা লাখ ৫ কায়থোকখ্রে। ফেন্সর কলন্বীয়া চনু মল্টিপল স্কলেরোসিসনা নাবনা মরম ওইরগা শান্নবা ঙমদনা লৈরি হায়নসু মখা তারি।

## HL POLL

**Q : Weightlifter Sanjita chanuna Common-wealth games ta Ana-bolic Steroid sijinaram-gani thajabra?**

POLL CLOSES AT MIDNIGHT

Yes [ ] No [ ]

Vote thadanabagidamak www.hueiyenlanpao.com da visit toubiyu

**NGARANG GI RESULT**

**Q : Manipur gi apun-bagi shaktam ngakna-ba Congress ki khong-jangsi achumbani haina loubra?**

Yes 77% No 23%

গ্যাসকী পাউ লামায় ৩দা ফংবিগনি

## অস! লোইরেহে!




# প্রোটেক্সন ওফ মণিপুরী পিপল বিলগী দ্রাফটিং কম্মিটি শেমখ্রে

## নোংজু মীফমদা য়েলহৌমী কন্নবা বিল পুথোক্লগনি : বিস্বজিৎ

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস): লমদমসিগী য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগীদমক মণিপুর লৈঙাক্না লাক্লিবা নিংথম মীফমদা প্রোটেক্সন ওফ মণিপুরী পিপল বিল পুথোক্লবনগীদমক বিল অসি শেম শাননবা ষ্টেটকী থাক্তা দ্রাফটিং কম্মিটি শেমখ্রে।

বিল ফোর প্রোটেক্সন ওফ মণিপুরী পিপলগী ওইবা ষ্টেট লেবেল দ্রাফটিং কম্মিটি অসিগী কনভিনরনা মণিপুর লৈঙাক্কী স্পোক্সপার্সনসু ওইরিবা মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনি। অদুগা দ্রাফটিং কম্মিটি অসিগী মেম্বরশিংনা স্পোর্টস মিনিষ্টর লেটপাও হাওকিপ, পি ঐচ ঈ মিনিষ্টর লোসি দিখো, এগ্রিকলচর মিনিষ্টর ভি হংখালিয়ন, হিলস এরিয়াজ কম্মিটিগী চেয়রমেন টি থাংজালম হাওকিপ, মণিপুরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর রাধাবিনোদ কোইজম, মণিপুর লৈঙাক্কী চীফ হ্বিপ ওইরিবা এম এল এ, পি শরতচন্দ্র, এম এল এ, এল সুসিন্দ্রো, এম এল এ খাজিম ভাসুম, এম এল এ অৱাংবৌ ন্যুমাই, এম এল এ টি এন হাওকিপ অমসুং এম এল এ গাইখাঙমনি। কম্মিটি অসিদা মণিপুর লৈঙাক্কী লো সেক্রেটরি নুংশিতোম্বী অথোকপম অমসুং স্পেসল সেক্রেটরি (হোম) কে ঐচ রঘুমনিনা মতেং পাংগনি হায়রি।

হীরমসিগা মরী লৈননা ঙসি সঞ্জেন্থোংদা লৈবা মিনিষ্টর বিস্বজিৎকী ক্বাটরদা পাউমীশিংগা উনবা অমদা মণিপুর লৈঙাক্কী ৱাঙাংলোয়সু ওইরিবা ৱার্ক্স মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎনা হায়খি, ষ্টেট অসিগী য়েলহৌমীশিং কনবা অমসুং লৈজরিবা



অপীকপা লম অসি ঙাক শেন্দুনা থম্বা হায়বসি মণিপুরী খুদিংমক্কী অপান্বনি। মসি লৈঙাক্কীসু অপান্বনি। মরম অসিনা য়েলহৌমীশিং কঞ্জনবগীদমক বিল ফোর প্রোটেক্সন ওফ মণিপুরী পিপল লাক্লিবা নোংজু মীফমদা পুথোক্লনবা হোৎনরি। মরম অসিনা বিল অসি শেম শানবগীদমক ষ্টেট লেবেলগী থাক্তা দ্রাফটিং কম্মিটি অমা হৌখিবা মে ২৩ দা শেমখ্রে। দ্রাফটিং কম্মিটি অসিগী ওইবা মীফম অমা লাক্লিবা জুন থাগী অহানবা চয়োলদা পাঙথোক্লগনি। মীফম অদু পাঙথোক্লবা মতুংদা কন্সল্টেটিব কম্মিটি অমা শেল্লগা মীয়াম্না য়াবা বিল অমা শেম শানবা হোৎনগনি।

জে সী আই এল পি এস অমদি তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাই-জেসনশিং লমদম অসিদা খুন্দামিন্নরিবা ফুরুপশিংগী লুচিংবশিংগসু মীফম কয়া পাঙথোকখ্রে। ফুরুপ কয়ানা পূন্না খুন্দামিন্নবা মফম ওইবনা পুন্নমক্না য়াবা মওংদা বিল অসি শেম শাদুনা পুথোক্লবা হোৎনরি। দ্রাফটিং কম্মিটি অসিদা কোংগ্রেস পার্টিগী অমদি অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী এম এল এশিংসু য়াওরি।

মহাক্না মখা তানা হায়খি, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল, ২০১৬ অসিসু ষ্টেট অসিদা চৎনহন্দনবা মণিপুর লৈঙাক্না অঙন্বা থাক্তা হোৎনগনি। ষ্টেট অসিদা ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিং চঙশিল্লকপগী ইস্যু থোরক্লি। ষ্টেট পুলিসনসু রোহিংয়া কয়া ফাবগী পাউ লৈখ্রে। মসিদসু নৎতনা শাশিন্নবা আধার কার্দ পায়রম্বা অমদি মশাগী শক্তাকচেসু য়াওদবা লোল-লিসু ফাওনদবা কয়া অমা চঙশিল্লকপা থেংনরি। ওইরক্লিবা ফীভম অসিদা রোহিংয়াগী ইস্যু থেংনবগীদমক ষ্টেট লৈঙাক্না ভেরিফিকেসন তৌবগী থবক তঙাইফদনা চথহল্লি। মসিমক্না ইন্দিয়াগী অতোপ্পা ষ্টেটকী মীয়াম্না মণিপুরদা চঙলকপা থিংবগী ৱাফমদি লৈতে। ইন্দিয়ন সিটিজন অমনা লৈবাক অসিগী মফম অমত্তদা চৎপা নৎত্রগা লৈবা য়াই হায়বসি মণিপুর লৈঙাক্না খঙই। অদুবু, রোহিংয়াগী ইস্যু অসিনা তঙাইফদনা মণিপুরদা চঙলক্লিবশিং মশক খঙদোক্লবা হোৎনবদা তেংবাং পীবীয়ু অমদি শক্তাক-চে পায়বীয়ু।

তোঙান-তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং ...*মখা লামায় ৩ কলম৫*

# মালোম মীহাৎকী থৌদোক্কা মান্নবা মওং নৌনা শেমগদৌরি

**জুন ২গী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী ৭.৩০ ফাওবা টিদিম লম্বী পুং ১ থিংগদৌরি**

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) : মালোমগী মীহাৎ হায়না খঙনরবা মালোমগী বস ষ্টেন্দ অমদা গাড়ী ঙাইদুনা লৈবা মীচম ১০ বু ৮শুবা অসাম রাইফলসকী পার্সনেল কাঙবুনা পাক্তক্লনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী সিন (মান্নবা ফীভম) সেন্ট্রেল ব্যুরো ওফ ইনবেষ্টিগেসন (সী বি আই), ন্যু দিল্লিগী সেন্ট্রেল ফোরেন্সিক সাইন্স লেবোরেটরি (সী এফ এস এল) গী টিমনা নৌহৌননা অমুক শেমগদৌরি।

তুংদা 'মালোমগী মীহাৎ' হায়না খঙনরকখিবা থৌদোক অদুনা মরম ওইদুনা রাইট এক্টিভিষ্ট ইরোম শর্মিলা চনুনা আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট ১৯৫৮ মুথৎনবা তকশিল্লদুনা মতম কক্তনা চরা হেনবগী খোঙজং চঙশিনখি। সী বি আইগী স্পেসল ইনবেষ্টিগেসন টিম (এস আই টি) অমনা মণিপুরগী এক্সত্রা-জুদিসল মীহাৎশিংগী ওইবা কেসশিংগী মতাংদা হৌজিক চথরিবা ইনবেষ্টিগেসনগী শরুক অমা ওইনা ক্রাইম সিন অদু নৌহৌননা অমুক শেমগদৌরিবনি।

হৌখিবা কুমজা ২০০০ গী নবেম্বর ২ দা ক্ষেত্রিময়ুম ইনাওচা অমসুং অতৈ মীওই ৯বু হাৎখিবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা সী বি আইনা রেজিষ্টার তৌখিবা কেসতা চান্ননা সী এফ এস এলটিমনা লাক্লিবা জুন ২ (থাংজ নুমীৎ) তা ক্রাইম সিন অদু অমুক হন্না শেল্লগনি।

সী এফ এস এলনা খঙহল্লকখিবগী মতুংইন্না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মজিষ্ট্রেট নাওরেম প্রভিননা ঙসি থোকখিবা ওর্দর অমনা ক্রাইম সিন অদু নৌনা শেমগৎপদা থৌদোক থোকখিবা মফম মালোম বোরোই মখোঙগা তাইনবা টিদ্দিম রোদকী শরুক্তা গাড়ীনচিংবা য়াওনা লম্বী চথোক চৎশিন তৌবদা অথিংবা থম্নবা খঙহনখ্রে।

ক্রাইম সিন নৌনা শেম্বগী থবক্তু জুন ২ গী অয়ুক পুং ৬.৩০ দগী অয়ুক পুং ৭.৩০ ফাওবগী মনুংদা পাঙথোক্কনি হায়না ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী মজিষ্ট্রেটনা ঙসি থোকপা ওর্দরদা পনখি। ওর্দর অদুগা লোয়ননা সী আর পি সীগী সেক্সন ১৪৪ গী মখাদা মতমদুগী ওইনা লম্বী চথোক চৎশিনদা অথিংবা থমখ্রে। অথিংবগী ওর্দর অসি কেসতুগী ইনভেষ্টি-গেসন্দা হকথেংননা চেন্নরিবা এজেন্সীশিং অমসুং লো এন্দ ওর্দর ঙাক্লিবশিংদদি চৎনরোই হায়না ওর্দর অদুদা মখা তানা পনখি।

পনবা য়াই মদুদি, সুপ্রীম কোর্ট ওফ ইন্দিয়াগী দিরেক্সন মতুংইন্না ষ্টেট অসিগী ফেক এনকাউন্টরগী কেসশিংগা মরী লৈননা সী বি আইগী এস আই টিনা তোঙান তোঙানবা এফ আই আর ৫৫ রেজিষ্টার তৌখি।

মমাঙদসু দি আই জি, এন এম সিংহনা লুচিংবা সী এফ এস এলগী টিম মঙানা থৌদোক থোকফম খরদা ক্রাইম খরসু ইনৌ নৌনা অমুক শাগৎপা লৈখ্রে। সী এফ এস এলগী টিমশিংনা নোংমৈ কাপ্পফমনি হায়রিবা তোঙান তোঙানবা মফম-শিংদা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৭*

# সী এম : সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল লৈঙাক্না শৌগৎলোই



ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) : লমদম অসিগী য়েলহৌমীশিং কন্নবগীদমক মীৎয়েং চঙলি, সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিলদা মণিপুর লৈঙাক্না শৌগৎলোই হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

লম্ফেলদা লৈবা সী এস আই আর-এন ঈ আই এস টি ব্রাঞ্চ লেবোরেটরিদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা শরুক য়াখিবা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়খি, মণিপুর কঞ্জার্ভেসন ওফ পেদ্দি লেন্দ এন্দ ৱেটলেন্দ এক্ট ষ্টেট অসিদা মপূং ফানা চৎনহন্নবা লৈঙাক্না মীৎয়েং থল্লি। মসি লৈঙাক্না য়েলহৌমীশিং কন্নবা হোৎনবদা মীৎয়েং চঙই হায়বগী ময়েক লারবা খূদমনি। চে-চাং য়াওদনা চঙশিল্লকপশিং চেক তৌবগী থবকসু য়াম্না কন্না চথরি। মাও, জিরিবাম, মোরেনচিংবা মফম কয়াদসু চে-চাং য়াওদনা চঙলকপা মী চেক তৌবগী থবক চথুদুনা লাক্লিবনি। সিষ্টেম অমা নাইনা য়েংশিনবা চঙই। সিটিজনশিপ (এমেন্দমেন্ট) বিল অসি মণিপুর লৈঙাক্না শৌগৎলোই। বিল অসি ওপোজ তৌগনি।

মণিপুর কায়বা য়ারোই। মণিপুরগী অপূনবগী শক্তমগীদমক লেপ্লি। ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা নেসনল পেপর অমদা ৱাফম কয়া হেক ফোঙদোরকপগা খূদক্তা পাউ ফাওনদুনা মণিপুর লৈঙাক অমদি মীয়ামগী চপ চাবা ফিরেপ অদু খঙহনখিবনি। মণিপুর মীয়ামগা চৎমিন্নগনি। মীয়ামগী ওইবা ফিরেপশিংগী মতুংইন্না থবক তৌগনি। আর এন রবিনা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিং অদু খূদক্তা রিএক্ট তৌদুনা খঙহনখিবনি। নেসনল স্পোর্টস য়ুনিভর্সিটিগী মতাংদসু ...*মখা লামায় ৩ কলম ৫*

## ৱেটলিফ্টর সঞ্জিতা চনু দোপ টেষ্টতা পোজিটিব ওইরে

ইম্ফাল, মে ৩১ (ঐচ এন এস) : কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা অনীরক গোল্ড মেদল লৌখ্রবী মণিপুরগী নুপী ৱেটলিফ্টর সঞ্জিতা চনুবু অথিংবা থমখ্রবা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ অমা শীজিন্নরম্মী হায়বগীদমক মতম খরা অথিংবা থমখ্রে।

ইন্টরনেসনল ৱেটলিফ্টিং ফেদরেসন (আই দব্লিয়ু এফ) কী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা হায়, হন্দক্তা গোল্ড কোষ্টতা পাঙথোকখিবা কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা নুপীগী কিলোগ্রাম ৫৩ গী কেটগোরিদা গোল্ড মেদল লৌখিবী সঞ্জিতা চনুনা এনাবোলিক ষ্টেরোইদ শীজিন্নরম্বা থেংনরে। অথিংবা থমখ্রবা ষ্টেরোইদ শীজিন্নরম্বগীদমক ৱেটলিফ্টর অসিগী মথক্তা এন্টি দোপিং রুলগী মতুংইন্না মতম খরা অথিংবা থম্লে হায়না আই দব্লিয়ু এফকী ৱারোল পল্লদুনা এজেন্সীগী পাউনা ফোঙদোরক্লি।

করি নুমীৎতা সেম্পল লৌরগা করম্বা মতমদা দোপ টেষ্ট পাঙথোকখিবগে হায়বগী মতাংদা মপুং ফাবা ৱারোল অমত্তা ফোঙদোরকপা তৌখিদে।

পনবা য়াবদি, কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসতা গোল্ড মেদল লৌখিবী সঞ্জিতা ...*মখা লামায় ৩ কলম ৩*

# প্রিপাক প্রোনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি

ইম্ফাল, মে ৩১ : হয়েং জুন ১ দা পাঙথোক্কদবা ৮শুবা 'প্রোগ্রেসিভ দে' গা মরী লৈননা লালহৌলূপ অমা ওইরিবা প্রিপাক (প্রো)না কংলৈ ফুরুপচাশিং অমদি দব্লিয়ু ঈ এস ঈ এগী য়াওল্লোইশিংবু ইকায় খুম্নবা উৎলকপগা লোয়ননা লূপ অসিনা য়াইফ পাউজেল পীরক্লি।

প্রীপাক (প্রো) গী চেয়রমেন এল পলিবা মীতৈনা খূৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৌমী-শিন্নীশিংগী শেন্থোক লম্বী ওইজরিবা লৌবুক-লম্কাংশিংদা ময়াং লান্মীশিংগী লৈফম ওন্থোক্লিবা, শেমগৎ শাগৎপগী মীংদা লোইশঙ কয়া লৌবুকশিংদা থমজিন্দুনা হিংনবগী পোথোক মীপান তাংহন্দুনা ইরোমদোম হিংজবা ঙমখিদ্রা হায়না অশোনবা ৱাখল চেলহন্নব ইন্দিয়ানা হোৎনরি। মীয়ামগা তাথোক তাশিন তৌদুনা, মীয়ামদা করি কান্নগনি খঙহন্দনা মহৌশাগী পোথোক ময়াম মপালগী কম্পেনিশিংদা শিন্নথোক্লবা হোৎনবসি মীয়ামগী মায়োক্তা লেপ্পা থৌওংনি। ইরমদমগী অচেৎপা শেন্মীৎকী খোঙফম অমা লৈতনা মপালগী শেঞ্জাওনা চাওখৎ লমজেলদা শরুক য়াগনি হায়বসি লৈঙাক চুপলি পায়রিবশিংগী অশোনবা মীৎয়েংনি।

মপূং ওইরিবা ইন্দিয়াগী মফমশিংদা খুন্দারিবা য়েলহৌমী অধিবাসিশিংনা ফাওবা মশাগী মহৌশাগী লনগৈ অমসুং লমগী মপূ ওইবা ঙমহন্দনা ত্রাইবেল সোভরেন্টিগী ৱাহন্থোক লৈহন্দ্রিবা ফীভমসিদা ইরমদমগী লন-থুম ইন্দিয়াদা শিন্নথোকফম থোক্তে। ইন্দিয়াগী খুজিল থৌরাংনা কংলৈ য়েলহৌমীগী শক্তম ফাওবা মুথৎনবা হোৎনরিঙৈ তাঞ্জা অসিদা ময়াং শেঞ্জাও পায়বশিংগী শেঞ্জাওনা ইরমদমগী তুংগী ফিরেপ শেমগনি হায়বসি তুংগী কাঙখুল মুৎনবা থৌওংনি। শেমগৎপীনবা হায়জ-রুগদবা নত্তে শেমগৎচনবা ইন্দিয়ানা লৌশিনখিবা ঐখোয়গী লৈঙাক্কী পাঙ্গলদু পীথোকউ হায়বনি হায়রি।

হিন্দু নেসনেলিজমসু নৌহৌননা মথী ...*মখা লামায় ৩ কলম ২*


## খঙহঞ্জবা অমা

হন্দক্তা ফল লাউথোকখিবা সী বি এস ঈগী ১২-এগজাম, ২০১৮ (সাইন্স)দা মণিপুরগী ওইনা ষ্টেট পোজিসন হোল্ডর নম্বর ৱান ওইব-ওইদবগী ৱাফমদা, য়ুনাকো স্কুলগী মহৈরোয় ওইরিবী মৃলিনা সেঞ্জমগী পেরেন্টসগী মায়কৈদগী মীয়ামদা মখাগী ৱাফম খরসি থমজরি। মৃলিনা সেঞ্জমবু ষ্টেট টোপ্পর ওইনা পুথোক্লকপা অমসুং আই এস টি ভি, ইম্পেক্ট টি ভি অমদি ষ্টেটকী অতোপ্পা প্রিন্ট-মীদিয়া খরনা ইন্টরভিয়ু লৌনখিবদা মৃলিনা সেঞ্জম অমদি মৃলিনা সেঞ্জমগী ফেমিলিগী ওইবা ৱাখল্লোন অমা ফাওবা য়াওখিদে। ৱাফমসিগী অচুম-চুমদা ষ্টেট মীদিয়াশিংনা ময়েক শেংনা খঙবীরমগনি। অদুম ওইনমক, থৌদৌসিগী নুমিৎ নীনি শুবদা মারিয়া মোন্টেশ্বরি স্কুল, কোইরেঙ্গেগী প্রিন্সিপাল সুচিত্রা দেবীনা ফেসবুক্কী খূথাংদা সোমনাথ খাইদেম কৌবা মাগী স্কুলগী মহৈরোয় অমনা সী বি এস ঈগী ক্রাইটরিয়া মতুংইন্না মৃলিনা সেঞ্জমদগী ০.২ (দসমিক ২) হেনবা লৈ হায়দুনা ৱাকৎলকখি। শমজিঞ্জরবদা, মসিগী মতুং তারকপদা আই এস টি ভি অমদি লোকল পেপর খরদা অপীকপা কলম খরদা লন্নাই ক্লেমশিং তৌরকপসু থেংনখি। অসিগুম্বা ফীভমশিংসিদা মৃলিনা সেঞ্জম অমদি মৃলিনা সেঞ্জমগী ফেমিলি মেম্বরশিংনা অনেম্বা থাক্কী সোসল মীদিয়া, ফেসবুকতা কুমথদুনা অৱাই-অখুম তৌনবা অমদি হুন্নবা পামখিদে অমসুং তৌনরুবগী মথৌসু তাখিদে। মরমদি, ষ্টেটকী পোজিসন হোল্ডর খন্দোক-খঞ্জিনগী থবকসি মৃলিনা সেঞ্জম অমদি মাগী ইমুং-মনুংগী বিজিনেস অমা নত্তে। থৌদৌসিদা মৃলিনা সেঞ্জম অমদি মৃলিনা সেঞ্জমগী ফেমিলি মেম্বরশিং ওঠোরিটিসু ওইদে। মৃলিনা সেঞ্জম চুম্নগী এগজাম থাজবা মহৈরোয় অমনি। অদুগা, মৃলিনা সেঞ্জমগী পেরেন্টশিংনা চুম্নগী পেরেন্টস খক্তমক ওইবনি।

**মৃলিনা সেঞ্জমনা এগজামদা ফংখিবা মার্ক**

| Subjects | Marks secured |
|---|---|
| English | 95 |
| Mathematics | 99 |
| Physics | 95 |
| Chemistry | 95 |
| Biology | 93 |
| Painting (Additional Subject) | 98 |
| **Total of all Subject** | **575** |

মথক্কী ফীভমশিংসিদা মারিয়া স্কুলগী প্রিন্সিপাল সুচিত্রা দেবীনা ইখঙ খঙহৌদনা, হৌখিবা মেগী তাং ৩০গী নুমিদাং পুং ৮গী অদুৱায়দা মশাগী ফেসবুক একাউন্টতা মৃলিনা সেঞ্জমগী মমানা ঙক্লা থোকপা, শুকহায়সু হায়খিদবা ৱাফম কয়ামরুম অমা "সমবোদি রিপোর্টেদ মি" হায়বা অন-আইদেন্টিফাইদ ছোর্সসি শীজিন্নদুনা থাগৎলকখি। থৌদৌসি প্রিন্সিপাল সুচিত্রা দেবীগী খ্বাইদগী চেকশিনখিদবা থৌদৌশিংগী মনুংদা অমনি। প্রিন্সিপাল সুচিত্রা দেবীনা, পূন্সিগী মশকসু উনদ্রিবী, ঙাংননবগী মরমসু লৈত্রিবী, অতোপ্পা মীশক অমদা অনকনফর্মদ ছোর্স অমদগী নৎত্রগা মশাগী সেল্ফ ষ্টাইল ৱিলদগী সাইবর ক্রাইম ওইরবা ৱাফম অমবু ইরায়-লায়না ফেসবুকতা থাগৎলকপসি মতুংদা চেকশিন্নীংঙাই ওই। হৌজিক্তি প্রিন্সিপালগী ফেসবুককী রিপোর্টসি সাইবর ক্রাইম ওইনা লৌবা য়াবনিনা পাউ-চেসি ফোঙবদগী থেংলবদা পুং ২৪গী মনুং ফাওবদা প্রিন্সিপালদা রিপোর্ট তৌরক্লিবা থার্দ পার্সন নৎত্রগা পার্সনশিংদু লৈফমগা লোয়ননা মশক-মমিং তাকপীরকউ। করিগুম্বা পীবীবা ঙম্বীদ্রগনা শোয়খ্রে-লানখ্রে হায়বা ৱাহৈসি শীজিন্নবীদুনা শেংদোক-ৱারোল অমত্তং ইশানা থাগৎপীখিবা ফেসবুক একাউন্টদুদা থাগৎপীরকউ নৎত্রগনা ফেস টু ফেস মৃলিনাগী পেরেন্টসবু উনদুনা ৱারী শাননবা হোৎনবীয়ু। অরোইবদা, মণিপুরগী মীয়ামদা চয়েৎনবা থোক্লিবা ইচানুপীগী মার্ক সীটকী ফিগরশিং মীয়ামদা উথোকচরি। সী বি এস ঈগী ক্রাইটরিয়াশিংগী মতুংইন্না পি সী পাবগী রুলশিং লৈজরবসু ইচানুপী মৃলিনা সেঞ্জমনা সী বি এস ঈ বোর্দনা লৌবা ১২-সাইন্স এগজাম ২০১৮ দা সবজেক্ট ৬ কী অপূনবা মার্ক ৬০০কী মনুংদা ৫৭৫ ফংলক্তুনা মণিপুরগী ওইনা হৌজিক ফাওবদা থেংনবশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী হেন্না মার্ক স্কোর তৌবা মহৈরোয় অমা ওইরকপসিদা মমা-মপা ঐখোয়গী পূক্নিং-ৱাখলদা হন্থনীংঙাইগী ওইবা ৱাখল অমত্তা ফাওজদে। মথংগী এদমিসনগীদমক কোক থাদরি। ইচানুপী মৃলিনা সেঞ্জমনা মতম পূন্নমক্তা হায়জবা "ববা! ঐদি কনামতগা কোম্পীট তৌনবা পামদে, ঐদি ঐনা ফংজগে খঞ্জবা মার্কশিংদুতগা ইথন্তা কোম্পীট তৌজবনি" হায়বা ৱাফমদু নীংশিংলক্তবা ঙমদে। পূন্লোই লোয়শিল্লকপদা য়ুনাকোগী মহৈরোয় ইচানুপী, মৃলিনা সেঞ্জম অমসুং ইচানুপীগী ক্লাস বেজ ওইরিবা মারিয়াগী মহৈরোয়, সোমনাথ খাইদেম অনীমক্কী তুংগী একাদেমিক কেরিয়রশিংদা হেন্না মীকোক থোংবশিং ওইহনবীরক্নবা ঈশ্বরগী মফমদা থৌনীজরি।

*মৃলিনা সেঞ্জমগী অপোকপা-*
**সেঞ্জম দেবেন সিংহ**

HL-C/078/01



## শেংদোকচবা

Maria Montessory Sr. Sec. School গী Principal না CBSE না লৌবা Class XII Sc. Exam, 2018 গী Result তা State Topper গী মতাংদা শেংদোরকখিবা ৱারোলগা মরী লৈননা Unacco School Authority বু মীয়ামদা লান্না উহনখিদনবা মখাগী ৱারোলশিং অসি থমজরি।

Maria Montessory Sr. Sec. School Authority দগী ফংবা পাউগী মতুংইন্না স্কুল অসিমক্কী মহৈরোয় Somnath Khaidem না Subject তরুক্কী অপুনবা Mark 600 কী মনুংদা 555 ফঙখি, অদুগা Unacco School গী মহৈরোয় Mrilina Senjam না Subject তরুক্কী অপুনবা Mark 600 কী মনুংদা 575 ফংলগা পুন্না Mark 20 হেনখিবনি। অসুম্না ফংনখিবা অপুনবা মার্ককী চাংচৎতা য়েংলগা Unacco School Authority না স্কুল অসিনা পুথোকচবা মহৈরোয় Mrilina বু পুক্নিং থৌগৎপা ওইনা State Topper নি হায়না লাউথোকখিবনি। মসিদা কনাগুম্বা মহৈরোয় অমত্তবু নৎত্রগা স্কুল অমত্তবু লান্না উহনখিনবা intention লৈখিদে।

*Sd/-* **Principal**
**UNACCO SCHOOL**
**Excellence in Education**
**Khongman Zone-III(W), I/E**

HL-B/4676/1







HL-B/4618/11/05-10/06



*" If you plan for a year, plant paddies.*
*If you plan for decade, plant trees*
*If you plan for a century,educate your children."*



**SLOPELAND PUBLIC SCHOOL**

**BIGGEST AND FINEST RESIDENTIAL School in North East- India.**

**PRODUCING 100% FIRST CLASS RECORD FROM LAST DECADE for Class X and XII Exam.**

**PRODUCED CBSE STATE TOPPER IN Class XII Exam-2017.**

**SPREAD 35 ACRE ACROSS LUSH GREEN ENVIRONMENT along Imphal-Moreh Asian Highway.**

**ADMISSION OPENS**
**ENROLL TODAY**

Salt Village BPO- Khongjom Manipur-India
+91 9615965922/9856835024/9615520109
slopelandpublicschool@yahoo.com / www.slopelandpublicschool.com

HL-P/1484/01/06